# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




লম্ফেলপাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা চহী অসিগী অনীরকশুবা নেশনল লোক অদালটতা ব্রারোইশিন পুরকখ্রবা কেসশিংগী পার্টিশিংদা জষ্টিস এ গুনেশ্বরনা শকখঙচেশিং খূৎশিন্নবা


শৈশকপী অমগী কাউঙমদ্রবা শৈহেক্লা... লামায় ৪

লামায় ৫ প্রাইম মিনিষ্টরদা অফোংবা চিঠি

মণিপুরদা অহুমশুবা নুপীলান চথরকপা... লামায় ৬

লামায় ৯ সুবেন্দু অধিকারি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ...

টিয়ার গ্যাসনা মীৎতা খুদোংথীনিংঙাই ... লামায় ১১

লামায় ১২ অন্দর-১৪ বোইজ ৱান দে ত্রোফিঃ থাও...


এন বি ঈ এম এসনা শীন্দুনা য়ুট্যুবতা এ আই শীজিন্নদুনা হেল্থক্যেরগী লমদা পাঙথোকপা লাইভ সেশনদা ভিয়ুৱর ১৭,৯৯৯ য়ৌবদগী ডা. থৌনাওজম জয়তমালাদা গিনিস ৱর্ল্ড রেকোর্দ পীরকখিবা




Vol. 51, Issue No. 46 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং - ৩৪২৪ | নোংমাইজিং, কালেনগী ২৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, May 10, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# কে এন এ-বিগী এটেক মায়োক্লরবা কামজোংগী মীয়ামদা গ্লোবেল নাগা ফোরমনা মতেং পাংগদৌরি

**কে এন এ-বিনা ফারগা পুরুবা তাঙ্খুল নুপী ওলিনা নিংসেন অসাম রাইফলসনা রেস্ক্যু তৌখ্রে, এমসু, এম এস এফ, দেসাম, সুক অমসুং এইমসনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী খুল ৩গী খুঞ্জাশিংদা তেংবাঙ পোৎলমশিং খূৎশিন্নখ্রে**

হুইয়েন ব্যুরো





কে এন এ-বিগী মখূৎতা তারুরবা তাঙ্খুল নুপী ওলিনা নিংসেনবু এ আরনা রেস্ক্যু তৌবা (ওই) মহৈরোয় লূপ তরুক্না চোরো, ৱাংলি অমসুং নমলিগী খুঞ্জাশিংগীদমক তেংবাঙ পোৎলমশিং খূৎশিন্নবা

**ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৭কী অয়ূক অঙনবদগী হৌরদুনা ম্যান্মারদা বেজ তৌবা কে এন এ-বিগী অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায় পায়বা মশীং য়াম্লবা কাদরশিংনা ঙমখৈ লানশিল্লক্তুনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী নমলি, ৱাংলি অমসুং জেদ চোরোনচিংবা খুল অহুমগী খুঞ্জাশিংদা অকনবা এটেক চথদুনা অশোক-অপন য়াওহল্লম্বা, খুল অহুমগী পূন্না য়ূম ৩০ রোম মৈ থাদোক্লম্বা অমসুং খুঞ্জাশিংগী গাড়ী অচৌবা অমসুং মচা য়াওনা পোৎ-চৈ কয়া মুন্দুনা পুখিবা থৌদোকশিং মায়োক্লবদগী হৌজিক ফাওবদা শাফগদবা মফমদা পূনশিন্নদুনা লৈরকখিবা খুল অহুমগী খুঞ্জাশিংদা অঙন্বা মতেং পাংলগনি হায়না গ্লোবেল নাগা ফোরম (জি এন এফ) না ফোঙদোরক্লে।

ফোরম অসিনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী জেদ চোরো খুলদা লৈবা য়ূম ৭০০ রোমগী মনুংদগী ২২ মৈ থাদোকখ্রে। অদুগা ৱাংলিগীনা য়ূম ৩৫০ রোমগী মনুংদগী ৫ অমাঙ-অতা থোকহল্লম্বদা নত্তনা নমলিদা য়ূম ২৫০ রোম লৈবগী মনুংদা ৩ মৈ থাদোক্লম্লে হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ময়ূম-মকৈ লৈজদ্রবা অমসুং মহৌশাগুম্না মশাগী ময়ূমদা লৈবা ঙমদবদগী লাঞ্জেন্নরবা খুল অহুমগী খুঞ্জাশিংগীদমক-চান-থক্লবা পোৎলম, ফি-রোল অমসুং হীদাক-লাংথক্লচিংবা য়াওনা অঙন্বা মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

ফোরম অসিনা ৱাফমশিং অসি

...মখা লমায় ৩ কলম ৪

**হোম মিনিষ্টরনা লুচিংবা এম এল এশিংনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী ফীভম য়েংশিনখ্রে**

# কে এন এ-বিনা চথবনি হায়বগী ওফিশল রিপোর্ট ফংদ্রি, ইভিদেন্স ফংলগদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা ৱাকৎকনি



**ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৭কী অয়ূক অঙনবদগী হৌরদুনা ম্যান্মারদা বেজ তৌবা কে এন এ-বিগী মশীং য়াম্লবা মিলিটেন্টশিংনা ঙমখৈ লানশিল্লক্তুনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী নমলি, ৱাংলি অমসুং জেদ চোরোনচিংবা খুলশিংদা চথরকখিবা অকনবা এটেক মায়োক্লখিবা খুল অহুম অসিদা ঙসি হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা লুচিংবা এম এল এশিংনা চৎতুনা এটেক মায়োক্লরবা খুঞ্জাশিংগা ৱারী শানখিবগা লোয়ননা পাউমীশিংনা হোম মিনিষ্টরদা থৌদোক অসি ম্যান্মারদা বেজ তৌবা কে এন এ-বি অমসুং পি দি এফনা চথখিবা ওইগদ্রা হায়না হংবা ৱাহংগী পাউখুমদদি ওফিশল ওইবা রিপোর্ট ফংদ্রি হায়খিবগা লোয়ননা করিগুম্বা ইভিদেন্সশিং ফংলবদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা ৱাকৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিগী খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াখিবা এম এল এশিংগী মনুংদা টি ঐচ বিশ্বজিৎ, টি ঐচ অরুনকুমার, রাম মুইভা, খাসিম ভাসুম, লৈসিও কৈসিং, অব্দুল নসির অমসুং কম্যুনিটি লিদরশিং য়াওনা লৈঙাক্কী ওফিশলশিংসু লোয়নখি। খোঙচৎ অসিগী মাঙওইননা ফুংয়ার এ সীগী এম এল এ লৈসিও কৈসিংদি ঙরাংদগী কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা ষ্টেশন তৌদুনা লৈখিবনি হায়রি।

হোম মিনিষ্টরনা নম্বাসি খুলেনদা লৈবা এম এল এ অসিগী য়ূমদা লৈমাসেন এরিয়াদগী লাকপা নুপী খুঞ্জাশিংগী মফমদা থৌদোক

...মখা লমায় ৩ কলম ১

# ত্রোংলাওবী থৌদোক্কী এন আই এনা ইনভেষ্টিগেশন চথবা কেসকী অপদেট রিপোর্ট মীয়ামদা খঙহল্লু

**ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা অহিংদা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা থোকখিবা য়াম্না তমথীবা মীহাৎ অদুগী এন আই এনা চথবা ইনভেষ্টিগেশনগী চপ চাবা খুদম চাংদমগা লোয়ননা মীয়ামদা অপদেট তৌদ্রিবা করিগীনো হংলদুনা ইনভেষ্টিগেশনগী রিপোর্ট করিগী লোৎশিন্দুনা থম্লবনো হায়না সোসিও-পোলিটিকেল কমেন্টেটর চোংথাম বিজয়না ফোঙদোকখ্রে।



চোংথাম বিজয়

ঙসি অয়ূক লম্ফেল খুনৌদা লৈবা মশাগী য়ূমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ৱাহংশিং অসি হংলদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, এন আই এনসু চাওরাকপা অমা মমাঙ থাগী ১০দা পাউচেগী খূথাংদা ফোঙদোকখিবদা মখোয়না হায়খিবসি 'অনকপা মফমদগী মী নেক্লগা চথহনবনি চিংনৈ' হায়খিবনি। অমরোমদা, লিলোং চজিংগী থৌরম অমদসু চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা ত্রোংলাওবীগী মীহাৎ অমসুং মখা চথরকপা ঈরাংশিংগী মতাংদা অচুম্বা খঙদ্রিঙৈদা

...মখা লমায় ৮ কলম ৫

# মণিপুরগী ঈরাং লোইশিনগে হায়রবদি প্রোক্সি ৱার খুদক্তা লেপকদবনি : মহৈরোয় লূপ ৬

**ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস) :** মে ৩,২০২৩দগী লমদমসিগী চমজরবা মীচম মীয়ামদা লেপ্তুনা চথরক্লিবা মীহাৎ-মীপুনগী থৌদোকশিং অসি ইনি দয়াগী প্রোক্সি ৱারনি হায়বসি হেন্না-হেন্না ইন্দিয়ানা তৌরক্লিবা থবক থৌওংশিংনা ময়েক শেংনা তাক্লি হায়না মহৈরোয়শিংগী লূপ তরুক- এমসু, এম এস এফ, দেসাম, কে এস এ, সুক অমসুং এইমসকী প্রসিদেন্টশিংনা পূন্না খূৎয়েক পীবা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, প্রোক্সি ৱারনি হায়বসি চেনবা য়াদ্রবা খুদম অমনি। মরম অদুনা মণিপুরগী ঈরাং অসি লোইশিনগে হায়রবদি ইন্দিয়াগী প্রোক্সি ৱার খুদক্তা লেপকদবনি হায়রি।

প্রোক্সি ৱার মখা শমথরকপা ওইনা থা অসিগী ৭তা ইন্দিয়া লৈঙাক্না শেন্বা সূ টেররিষ্ট গ্রুপশিংনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী খুল অহুম- নমলি, ৱাংলি অমদি চোরোদা লান্দারক্তুনা মীচম মীয়াম লাঞ্জেন্নহনবা খক নত্তনা য়ূম কৈ কয়া মৈ থাহনবা অসি য়াম্না লুজদবা লীচৎ অমনি হায়না মহৈরোয় লূপ তরুক্না লৌবগা লোয়ননা ফাজিন্দুনা থম্লিবা খুঞ্জাশিং অথুবা মতমদা থাদোরক্কদবনি হায়রি।

মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপশিং পূংমুৎ মুখৎনবগী লাল্লোং ওইনা সূ মিলিটেন্টশিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা মীয়ামগী লন থুম অমদি পূন্সিদা শাফু পীরকপা অসি লোইলম শন্দোকপদা হালেংদবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লোই চন্নবগী, শুপ্নম লৈঙাক্কী লৈঙাক্লোন মখা শমথনবগী অমদি খুন্নাই মুখৎনবগী থৌওং অসি খুদক্তা লেপকদবনি। কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী থৌদোক্তা মরী লৈননা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ৱাহৈ মচেৎ অমা ফাওবা ঙাঙদনা তূমিন্না লৈশিল্লিবা অসি লৈঙাক্কী খূৎ য়াওরব্রা হায়বা ৱাহং অসিনি। মহৈরোয় লূপ তরুক্না থৌদোক অসি য়াম্না কন্না কন্দেম তৌবগা লোয়ননা লৈঙাক্না খোঙলৈ থুনা

...মখা লমায় ৩ কলম ১

# ঐখোয় পূন্না অমত্তা ওইনা ইরৈবাক ইরমদম ঙাকমিন্নরসি : অমুকো



**ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী ঈরাংশিং অসি লোইশিন্দুনা তংদু-লৈতাহনগে হায়রবদি লৈঙাক অসিনা ইরায় লায়না তৌবা য়াবা থবক্লি। মতম শাংনা মীয়াম্বু শেল থুমগী লম্‌দা শোথহনবা, মীয়ামগী ৱাখলদা অৱাবা পীননবা হোৎনবা থৌওংশিং ইন্দিয়া লৈঙাক্না চথবনি হায়না মরাল শীরদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা ঐখোয় পূন্না অমত্তা ওইনা ইরৈবাক ইরমদম মণিপুর ঙাকমিন্নরসি হায়না অমুকোগী প্রসিদেন্ট সঞ্জেয় সোরোকখাইবমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি লূপ অসিনা অমোভা, কোহর, এম এস এফ অমদি পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগা খূৎশম্নদুনা মতম খরগী মমাঙদগী মণিপুরগী ৱাথোক অসিগী মায়োক্তা

...মখা লমায় ৩ কলম ২

# দি আই পি আরগী দিরেক্টরনা দেল্লীগী মণিপুর ইনফোর্মেশন সেন্টর য়েংশিনখ্রে

**মণিপুরগী ইনফোর্মেশন সেন্টর অসিদা হৌজিক ষ্টাফ কয়া লৈরিবগে হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে**



দি আই পি আরগী দিরেক্টরনা দেল্লীদা লৈবা মণিপুর ইনফোর্মেশন সেন্টর য়েংশিনখিবা (ফোটো-দি আই পি আর)

**ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুংথিল দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিক রিলেশন্স (দি আই পি আর) দগী থোরকপা চেরোল অমদা ঙরাং লোয়শঙ অসিগী দিরেক্টর ডা. টি ঐচ চরঞ্জিৎনা ন্যু দেল্লীগী বাবা খরগ সিংহ মার্গতা লৈবা এম্পোরিয়ম কমপ্লেক্সকী সী-৭তা লৈবা মণিপুর ইনফোর্মেশন সেন্টর (এম আই সী) গী ফীভম

...মখা লমায় ৩ কলম ২

# মফম ৪দগী য়াম্লবা খূৎশু-খূৎলায়শিং ফাগৎখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস) :** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা ইরিলবুং পি এসনা কোনবা নোংমাইজিং চীংখোঙগী ফুটহিল এরিয়াদগী মেগজিনগা কোন্নবা ইন্সাস রাইফল অমা, পোইন্ট ৩০৩ রাইফল অমা, পোইন্ট ৩২ পিষ্টোল অমা, গ্রেনেদ ১১, ২.১ মোর্টারগী এম্যুনিশন ১৯, হায় এক্সপ্লোসিভ এম্যুনিশন অনী, আই ঈ দি এক্সপ্লোসিভ রোদ অমা, আই ঈ দি এক্সপ্লোসিভ কিলোগ্রাম ১৩, পোইন্ট ৩০৩ এল এম জিগী মেগজিন ৪, ৭.৬২ এল এম জিগী মেগজিন ৬, ইন্সাস এল এম জিগী মেগজিন অনী, পোইন্ট ৩০৩গী রাইফল মেগজিন অমা, পোইন্ট ৩২গী মেগজিন ১, দিটোনেটর ৪০, এস এল আরগী ফায়ারিং পিন এক্সটেন্সন ৪, ব্রিটচ ব্লোক ৭, এস এল আরগী গ্যাস প্লগ অমা, কোর্টেক্স এক্সপ্লোসিভ মেটরিএল ৩৮, পি ঈ কে ৩, আই ঈ দি ফিট তৌবা কন্ট্রোল বোক্স অমা, গ্রেনেদকী কি অমা, তোঙান তোঙানবা নোংমৈগী মরূ ১৯৫, পোইন্ট ৩০৩ এম্যুনিশনগী চার্জর ৯ রিকোভর তৌরে হায়রি।



অৱা চীংগী চীংখোঙগা তাইনবা মফমদগীনা মেগজিনগা কোন্নবা এস এল আর রাইফল ১, মেগজিন য়াওবা এস এম জি কর্বাইন অমা, দিটোনেটর য়াওবা চাইনিজ গ্রেনেদ অমা, এম সিক্সটিন রাইফলগী মেগজিন অনী, তোঙান তোঙানবা

...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# এম য়ুগী এদ্যুকেশন দিপার্টমেন্টকী হেদতা দেসামনা অকনবা ৱাহং হংলক্লি

**ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী মহৈরোয়শিংগী লূপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা দেসামগী সেক্রেটরি জেনরেল থৌদাম শ্যামজইগী চেরোল অমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এদ্যুকেশন দিপার্টমেন্টকী হেদতা অকনবা ৱাহং হংলকপগা লোয়ননা লায়রবা মহৈরোয় কয়াগী ৱানা অহিং তূমদনা হোৎনরকপা য়ু জি সী-ফেলোসিপ মাঙহনবীগনু হায়না ফোঙদোরক্লি।

'মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এদ্যুকেশনগী ঐচ ও দি-ওজাবু করি লাইনা শাবনো' হায়বা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, প্রি-পি ঐচ দি প্রোগ্রাম একাদেমিক সেশন ২০২৫ ঙসি মে ২০২৬ য়ৌরবা ফাওবা এম য়ুগী এদ্যুকেশন দিপার্টমেন্টতা মহৈরোয় খনবা ঙমদবসি মথৌ মশক খঙদবা লৌনম চাউবা, মশাগী ওইজবা থিবা, মহৈরোয়শিংগী খন্দবা ঐচ ও দিনা শিনবা লাল্লোং ওইরম্লে হায়না মরাল শীরক্লি।

হীরম অসিদা দেসামনা ফংলকপশিংনি হায়রদুনা (১) য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওইনা অহানবদা সেপ্টেম্বর ১২,২০২৫দা প্রি-পি ঐচ দি এদমিশন নোটিস একাদেমিক সেশন ২০২৫ অসিগী ওইনা দিপার্টমেন্ট ৩৬কী থোক্লকখি। মসিগী মনুংদা এদ্যুকেশনসু য়াওরকখি। মসিগী লাষ্ট দেট ১২.১০.২০২৫দা ওইখি। মতম অসিদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী পি ঐচ দি রেগ্যুলেশন, ২০২৩ চৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি। নোটিস অসিমক্তদা য়ুনিভর্সিটি ফেলোসিপসু মহৈকোল অসিগী সুপরভাইজর টিচর খক্তদা পীগনি (ভাইদ য়ু জি সী নম্বর ১৭-১১/২০৯(সী য়ু), ৩০ এপ্রিল ২০১০গী মতুংইন্না পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

...মখা লমায় ৮ কলম ১

## চিলড্রেন থিএটর ৱার্কশোপ

**ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস):** নেশনল স্কুল ওফ ড্রামাগী চিলড্রেন থিএটর ৱিং অমদি মণিপুরগী সম্ভরধিনি ন্যাস সংস্কৃটি কলা দর্শননা শীন্দুনা চহী ৮দগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী ওইনা স্কুল ৬তা চিলড্রেন থিএটর ৱার্কশোপ পাঙথোক্লগনি হায়না ৱার্কশোপ অসিগী দিরেক্টর ডা. এস থানিল লৈমনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়, ৱার্কশোপ অসি ঈরাং মায়োক্লরবা অঙাংশিংদা লৈরিবা ৱাখল নুংঙাইতবশিং কোকহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদবনি। পাঙথোক্কদবা স্কুলশিংদি ৱাঙ্খৈ হায় স্কুল, ইরিলবুং হায় স্কুল, লল্লোং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, কেন্দ্র বিদ্যালয় নম্বর ৱান (লম্ফেলপাৎ), প্রজা হায় স্কুল (লমশাং), নেটাজি সুভাসচন্দ্র বোস অভাসিয়া বিদ্যালয় (উরিপোক লম্বেইখোংনাংখোঙ) নি হায়রি। কেন্দ্র বিদ্যালয়গীনা থা অসিগী ১১দগী জুন ৯ ফাওবা পাঙথোক্লগা অতৈ লৈঙাক্কী স্কুলশিংদনা থা অসিগী ২৫দগী মথং থাগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়রি।


# চহী ২ হেন্না রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরম্লবা মতুংদা হন্দক্তা য়ূমদা হঞ্জিল্লবসু লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবনিনা ৱাখল লৈতাদ্রি

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**

**হকথেংনবা পাউদম**

**তাংজেংদগী খুঞ্জা**

**ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস) :** মে ৩,২০২৩দগী লমহেন-তুহেনবা কুকি-জোগী মীওইশিংনা মখোয়গী খূৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিংগা খূৎশম্নদুনা মণিপুরদগী লেজিসলেচরগী পৱার য়াওবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন (য়ুনিয়ন টেরিটরি) লৌগদবনি হায়দুনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা চথরক্লিবা লান অসিনা হৌজিক চহী অহুম হেল্লক্লবা ফাওবদা মণিপুর অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না ৱারোইশিন পুরক্তবদগী তোঙান-তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌহল্লিবা আই দি পিশিংগা মথং-মথং উন্নদুনা মখোয়গী পূক্নিং-ৱাখলগী ৱাফমশিং মীয়ামদা 'হকথেংনবা পাউদম' গী মখাদা রিপোর্ট তৌরকপগী মখা তারকপদা ঙসি কক্চীং দিষ্ট্রিক্টকী ৱাবগাই অমসুং হিয়াংলমগী মীয়াম্না শরুক য়াদুনা লান অসিগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজংদা শরুক য়ারম্বা মশাগী চহী ১৭ খক্তা ঙাইরিবা তাংজেংদগী লাইশ্রম রোবর্টসন, অপোকপা এল জুগিন্দ্রো অমদি অপোকপী লাইশ্রম ওংবী মঙলেম্বীগা থেংনখি।





হকথেংনবা পাউদমগী মখাদা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিংগা ৱারী শারকপগী মখা তারকপদা মহাক্কী মায়কৈদগীসু ৱাফম খরা ফোঙদোক্লীংলকপদগী মহাক্না হায়,... (মথং-মথং)

# অনীরকশুবা নেশনল লোক অদালট পাঙথোকখ্রে লুপা ক্রোর ৩.১৮দা কেস ২২৯গী ৱারোইশিন পুরকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস) :** নেশলি লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা) গী দিরেক্সন মখাদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) না হায় কোর্ট লিগেল সর্ভিসেস কম্মিটি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিশিংগা খূৎশম্নদুনা ঙসি ষ্টেট অসিদা চৎলিবা চহী ২০২৬কী অনীরকশুবা নেশনল লোক অদালট পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী লোক অদালট অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুর য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিংদা পাঙথোকখিবনি। পাঙথোকখিবা লোক অদালটশিং অসিদা পূন্না লুপা ৩,১৮,৪০,৯৩৮গী শেনফমদা তোঙান-তোঙানবা কেস ২২৯গী ৱারোইশিন পুরকখ্রে হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা লোক অদালটতা তোঙান-তোঙানবা কোর্টশিংদা পন্দুনা লৈরকপা প্রি লিটিগেশন মেট্টরশিং অমসুং সিভিল কেসশিং য়াওনা ওরিজিনেল স্যুইট, মনি স্যুইট, বেঙ্ক রিকোভরি কেসেস, মেট্রিমোনিএল দিসপ্যুইট, মোটার এক্সিদেন্ট ক্লেম ট্রাইব্যুনেল কেসেস অমসুং অতৈ সিভিল মেট্টরশিং য়াওখি।

লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা নেশনল লোক অদালটতা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেশন্স জজ (ইম্ফাল ৱেষ্ট) ৱাই রোথর, লৈঙাক্কী সেক্রেটরি (জুদিশল) এন কিরটিচান্দ অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেশন্স জজ এন লনলৈমনা চ্যেরপর্সন ওইবা বেঞ্চ অহুম লৈখি। বেঞ্চশিং

...মখা লমায় ৩ কলম ২

## য়ু জি অমা ফারে, বোম অমসুং নোংমৈ মরূ ফংলে

**ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস):**

পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা লম্ফেল পি এসনা কোনবা লাঙ্গোল গেম ভিলেজ জোন টুদা লৈরবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বী মখা লৈকায়দগী থিয়াম ইনাও (৩৩) কৌবা কে সী পি- নোংদ্রেনখোম্বগী কাদর অমা ফারে হায়রি।

মঙোন্দগী দিটোনেটর অনীগা কোন্নবা পোইন্ট ৩৬কী হায় এক্সপ্লোসিভ হেন্দ গ্রেনেদ অনী, পোইন্ট ৯ এম এমগী মরূ ১৫, মোবাইল ফোন অমা, আধার কার্দ অমা অমসুং আইদেন্টিটি কার্দ অমা রিকোভর তৌরে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫